## সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীরমদ্রেদা মখোয়সিবু ৱাখল তারকখিগদ্রা

মে ৩, ২০২৩দগী লান হৌরকখিবা কাঙবুসিগী মমিং-মথা অমসুং মশকশিং হঞ্জিননা পন্নীংদ্রে। মখোয়দা হৌজিক ফাওবা শাওদুনা খোইখা-লিনখা থাবগী ৱাফম নত্তে। হৌজিক্তি হৌখ্রবা পূন্নমক 'কাউথোক্লবা অমসুং ঙাকপীবা' হায়বসিগী ঈচেলদা তাওথরক্লবনিনা হৌখিবশিং নীংশিংদুনা পোপথোক্লগা খোঙচেপ হাইনরকপা চুল্লরোই হায়বনি। অদুবু মখোয়সিবু করম্বা মতমদা খোঙ্গুল তারক্তুনা মীওইবশিংগী মরক্তা মী ওইনা লৈরকপা ঙমগদোইনো হায়বনি। ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চলাইরকখিবা প্রসিদেন্টস রুল লৌথোকখ্রে। ফেব্রুৱারী ৪, ২০২৬তগী মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক অমা লিংলক্লে। পি আর থল্লকপদগীদি লানসিনা হাল্লি। লাই ৱায়েলগী ওইনা অকোন-অহানগী হায়বা তারদি লানসিগী ৱারোইশিন হান্না পুরক্লগা পি আর লৌথোক্কদবনি। পি আরগী লৈঙাক্লোনসিসু লানসি লোইশিনহন্দুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্নবা থল্লকখিবনি। অদুবু সেন্টরগী লুচিংবশিংসিনা লানসি হৌরকপদগী মথক-মখা ওন্নবা অমসুং মমৈ-মকোক শম্নদবা থবক-থৌওং ঙাক্তা তৌদুনা লাকখিবদু মখা চত্থরক্লিব্রা খঙদে। লানসিগী অরোইবা ৱাতুপ্নবা-ৱালেপ্নবা'মা পুরকত্রিঙৈদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক শৎতোক্তুনা লৌথোকখ্রে। মখোয়গী থৌওংসি মণিপুরগীদমক য়াইফনবা অমসুং মখোয়গীসু খোঙহাই চানবা হায়বদি নুঙ অমনা উচেক অনী হাৎননবা পায়খৎলকপা থবকসু ওইরম্বা য়ারিবনি। মরমদি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিসিগী মতম চহী অমরোমদা ঙাইশিল্লক্লে। মথং চহী ২০২৭কী মার্চ থাগী অহুমশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদদি ১৩শুবা এসেমব্লি মীখলগী থবক-থৌরম পূন্নমক মপূং ফানা লোইশিন্দবা য়াদবনি। মীখলদুদা বি জে পিনা পাক্তক্লনা মায় পাক্লক্লবা, মসি ওইহল্লকপা ঙমদ্রবা ফাওবদা 'এন দি এ' হায়বসিগী ছাতিন তুপমিন্নরক্লিবনি হায়বা পার্টিশিংগা পূন্না মখা-তানা চৎমিন্ননবা লাল্লোং, শিন্থোং য়াৎলকপা-শিল্লকপা অমসুং থৌরাং তৌরকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মসিগী মথক্তা অমখক্তমক লৈজরিবা রাজ্য সভাগী মেম্বরসিগী মতমসু লোইশিল্লক্লবনি। মহাক্তি মীয়াম্না হকথেংননা খনগদবা নত্তে। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীহুৎশিংনা খনগদবনিনা এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা 'শ্বর' শৎতোক্লগা অদুম্মক থম্বদি কদাইদগী য়াগদগে? মসিগী মথক্তা মীহাৎ-মীপূন পুল্লেপ লেপ্তুনা চীং অমসুং তমগী তাইনফমদা খারিবা রেদ অমসুং বফর জোনগী অৱাংবা-অরিংবা শম্বলশিং পুমথু-থুদেক্তুনা শিদোকপা মক নৎত্রবসু চহী অমরোমগী পি আর লৈঙাক্না ফম্বা ফাওবদি চলহল্লম্লবনিনা অনৌবা লৈঙাক অমা লিংলগা অমুক হিপথবা চলহল্লকপনি।

ঈশিং অচৌবদা লৈবা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা ফরে খনবদু থবক্তা ওন্থোরকপনি। অনৌবা লৈঙাকসিগী পোলোয়দি য়েংখিবা তারি। মশ্বাইদা ঙাইঙমদবা অমসুং লাংতক্লবগী মতৌদি উৎলুবা চুমখিরোই। অদুবু অনৌবা লৈঙাক লিংলকপা ফাওবসিদা খাঙঙুথক্তগী লৈমিন্নরকখিবা মনা লাওরম্বশিংসিনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মশক, ফিরেপ, খোঙফম অমসুং মশক ময়েক শেংনা খঙজদ্রিবরা হায়বনি। নখোয়গী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি (সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন) দু পীগে হায়রবদি প্রসিন্টেস রুল লৌথোক্লগা অনৌবা লৈঙাক লিংলকখিগদ্রো? জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ওইরকহন্নীংবা ফীভমদা ওইহল্লক্নবগীদমক 'জম্মু এন্দ কাশ্মীর রি-ওর্গনাইজেশন এক্ট, ২০১৯' শেন্নগা তোৎলগা শেমখিবগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরকখ্রবসু কনানা কৈদৌবা ঙল্লিবগে? নখোয়না তাল্লিবা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' গী দিমান্দসি মরম চাদে, পীথোরকপদি লায়রদনা খন্নফম ফাওবা থোক্তে হায়বসি খঙজদ্রিবা করিগীনো? মণিপুর কনানো, করম্না হৌরকখিবনো, মতৌ করম্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরকখিবনো হায়বসু খঙদবা নখোয়বু সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হূইনাওদৌনা লোয়নবিরে হায়দুনা ওনশিন্দুনা লৈতোন লেক্লবা হোৎনরুবদি কদাইদগী য়াগদগে? মসি ফাওবা খঙদবা নখোয়না 'তাঙবলনা শাক্পিনি' হায়বগদুদি কদাইদগী লাম্বা ফংলগদগে? নখোয়না চহী লিশীং ৩ হেনবগী অইবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈদা শীংনরকপদি কদাইদগী য়াগদগে? নতিকসু নত্তে। ইন্দিয়া পূম্বা য়োৎশিল্লম্বা বৃটিশকা লম্বা পাখ্রিবনি। অৱাশিংবু য়েন্দেম-থরাক, শোইবগুম্না শোইদৎলগা নীংথি তুরেল তোর্ব্বান ৱাংমা ফাওবা তান্থোকখ্রিবনি। হৌজিক্তি মণিপুরগী মহৌশাগী ফীভমদা তপ্না-তপ্না হঞ্জিনবা হৌরক্লবনিনা নখোয়দা ওনশিন্দুনা কন্না ঙাঙনীংদে। পি আর লৌথোক্লগা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহল্লক্লিবসি করম্বা ৱারীদনোমা 'লক্সমি' গা 'শনি'গা মতিক ময়াই তান্নরকপদা নিংথৌ অমনা সনা অমসুং লুপাগী তাঙবল অনী থারগা ফমহন্দুনা ৱায়েনখি। 'লক্সমি' না সনাগী তাঙবলদা ফম্লগা 'শনি' না লুপাগী তাঙবল ফম্বদগী নিংথৌদুদা হংলুবদা 'তাঙবলনা শাক্পিনি' হায়বা ৱাফম লৈবনি। মসিগীসু মথক্তা পি আর লৌথোক্লগা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগীদমক দেল্লীদা কৌরকপদা নখোয়গী মীহুৎ খরসু চৎতুনা শরুক য়ারুরিদুদি। মদুনসু লোইদে। বি জে পি মণিপুরগী লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর খনবগা ইম্ফালদা হল্লক্তুনা গভর্ণরদা লৈঙাক শেমজগে হায়দুনা ক্লেম তৌবদা নখোয়গী মীহুৎ ২ য়াওখি। গভর্ণরনা অয়াবা পীরক্তুনা পাঙথোকপা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা ফাওবা য়াওখি। কাংপোকপী-সেকমাই তাইনফম, চুড়াচান্দপুর-বিষ্ণুপুরগী মরক অমসুং পল্লেল-তেংনৌপলগী শাইজিন্দা লান্থোক-লানশিন অমসুং চঙন-থোক্লা তৌবা মীচমশিং শেন্নবা ঙল্লোই খঞ্জবা সিফাই নমথীবা খরনা রেদ অমসুং বফর জোন কায়না মিংথোল্লগা থিংলকপগী ৱানি। নখোয়গী মীহুৎ ২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। ক্লাকৈথেল, কৈশাম্পাৎ ফাওদুনা গভর্ণরগীদা চঙবা য়াওরিসিবু নখোয়গী সিপরেট ফংলেনা হরাওবা য়াব্রো? মণিপুর লৈঙাক্তা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' লৈরমদ্রবনি। নখোয়গী নুপী লুচিংবী অমসু 'দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর' ওইনা ৱাশক লৌবা য়াওখ্রিসিদি!! কদাইদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশননো? ওন্থোক-ওন্থোকপা!! হৌরকফম মথোং খঙদ্রবসু নীংথিজনা অদুম লৈয়ু। নখোয়নবু কারন তৌরক্ত্রবদি নতু নাম্মা শোক্কদবা নত্তে। ওইরোইদবা মঙলানগী ফুরা শাগৎলুনু। কিন্থরকপদা মীশিং য়ামজদবনা নখোয় পুমতুম তুমজনি। নখোয়না হায়বদা তানি, তৌরক্কনি খঞ্জরকপদো চুল্লিব্রো? নখোয়বু 'থ্রো অফটর য়ুজদ্' ওইহল্লক্তুনা দষ্টবিনদা লংথোকপীরক্কনি হায়বসি হান্না খঙহৌদব্রা? কদাইদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশননো? লৈরমদ্রেনে!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৯১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মাইকৈ খানা পাংবা লম। লমলেলমা মাহৌ ফাইবোক চীঙবু। তুংওই নাতৈনা। লোলতাই লমলেল মপুংয়াইদা। মৈতৈ লৈমনা খোঙলেঙনা। হুয়েল লালথেংনখিবদি। লোলতাই লমগী মনিংথৌ। নুংকারেং লালদা থৌবা অয়াংবা। লাকচাথীনা হুয়েল লালঙমলে। য়োইবু মৈতৈ লৈমনা সনা খোঙলেঙখিবদি অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ খানা থংবা লম। নবুথৌ চীঙখোং পোইরৈতোলনা। লাইরেল ঙাংঙোই য়োইমোংবা ওকনা থেংনবা লম। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯹꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯈꯥꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯂꯝꯂꯦꯜꯃꯥ ꯃꯥꯍꯧ ꯐꯥꯏꯕꯣꯛ ꯆꯤꯡꯕꯨ꯫ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏ ꯅꯥꯇꯩꯅꯥ꯫ ꯂꯣꯜꯇꯥꯏ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯃꯄꯨꯡꯌꯥꯏꯗꯥ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯅꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯂꯣꯜꯇꯥꯏ ꯂꯝꯒꯤ ꯃꯅꯤꯡꯊꯧ꯫ ꯅꯨꯡꯀꯥꯔꯦꯡ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯊꯧꯕꯥ ꯑꯌꯥꯡꯕꯥ꯫ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯅꯥ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯈꯤꯕꯗꯤ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯈꯥꯅꯥ ꯊꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯆꯤꯡꯈꯣꯡ ꯄꯣꯏꯔꯩꯇꯣꯜꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯉꯥꯡꯉꯣꯏ ꯌꯣꯏꯃꯣꯡꯕꯥ ꯑꯣꯛꯅꯥ ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ●

# কুমসি চহীদি ৱাকচীংগী নোং তাখিদ্রে, করি ওইরকপা য়াই ইরমদমসিদা?



মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

হোংলক্লদ্রা মৈতৈ লৈবাকসি অহোংবা লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওইদুনা, কুমসি চহীসিদি ইরমদম মৈত্রবাকসিদা ৱাকচীংগী নোং তাখিদ্রে। মতম অমদা অশৈবা কয়ামরুম্না শৈথানরম্মী, ৱাকচীংগী নোংদি (হিন্দুইজমগী ৱাখল্লোন্দা হায়রগা) শ্রীকৃষ্ণগী পঞ্চানজন্য মোইবুঙগী খোঞ্জেলগুম্বনি, মালেমসিদা অনৌবা থৌনাগী পাউজেল পীবনি, লানফমদা জয়ধনি লাউবনি, ইশাগী মায়কৈ লান্মীশিংবু থৌনা হাপ্লগা য়েক্নবশিংবু অকি-তুজুংবা পোকহনবনি। অদুবু, কুমসিগী ওইনদি ইরমদম মণিপুরগী তম্পাক লমদমসিদা ৱাকচীংগী নোং তাখিদ্রবনিনা, মদুগী মহয় করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু খনবদা মম্মী। কুমসি চহীসি চীংদদি নোং চুখিব্রা খঙদে, চৎলুদ্রবনিনা পাউকা অমত্তা তাখিদ্রে। অতৈদি লায়রি, মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইমিন্নরিবা চীংমী ইচিন-ইনাওশিংগী লমদা ফাওবা, তম্মী মীতৈশিংসিনা চীংনিবু হায়রবদি খক চৎখিদ্রবনি। মসিগী মরমদি, করিগুম্বদা য়েক্লবা ওইরিবা কুকিশিংনা লমখাঙদা থৎতুনা খুন্দাশিল্লম্বা থোক্লবদি ফরক শোয়দনা তাশিল্লক্কনি অমদি নাগাসু, কুকিসু অনীমক ইশম-শম্ননা খুন্দামিন্নবা খুঙ্গং লইরম্লগসু খুদোংদি অদুম চারোইদৌরিবনি। অসুম্না ৱাকচীংদা নোং তাখিদবা চহীসিদি, অহল-লমনশিং হাক্তক্তগী হৌনা য়াম্না তৌহৈদবা থৌদৌ অমা ওইনা লৌনরকই। অদুগা মসিগী মহয়না, চহীদুদা শাফম-লানফম কনগনি, অৱা-অনাশিং থেংনগনি, লম হোংদুনা ফাওবা চেন্নীংবা হায়বদু য়ৌগনি, সিদা নত্তনা, দশা মখল-মথেলনচিংবা তাবা য়াবগী ওইথোকপসু য়াম্না চাউনা লৈবা চহীনি হায়না কিনরম্মী। শম্না হায়রবদা, মমাঙঙৈদগী হৌনা মীতৈ লৈবাকসিদদি, ৱাকচীংদা নোং খিকপদা ওইরসু খিকখিদবা চহী অমা হায়বসি চহীদু অফবা চহী অমা ওইনদি খক লৌনরক্তে। লানগা লোইদবগা, হন্দক্কী চহীগী ৱাকচীংগী নোংগী ৱাহন্থোকসিগা, মীপায়বদি অসুক্কী মতিক ফাওনীংঙাই ওইরে।

হন্দক ৱাকচীং থাদা নোং তাখিদবগী ৱাহন্থোকসি, চাওখৎলকপগী মতুংইন্না সাইন্সকী মিৎয়েংলোমদা চিংশিল্লগা খন্নরবদি, থোইদোক্লা মিপাইবা পোক্লরুদবসু য়াবা য়াই খল্লি। থৌদৌসি মীওইবনা নেচরবু হঞ্জিন-হঞ্জিন শীংনদুনা, নেচরগী ওইবা থৌদৌ কয়ামরুম্বু হঞ্জিন-হঞ্জিন থুগায়রুবগী মহয় ওইনা ফংলকপা থৌদৌ অমনি হায়নসু সাইন্সনা ইরায়-লায়না হায়রকপা য়াই। অদুবু মতাংসিদসু হায়নীংবদি অদুম্মক লৈ, থৌদৌসি মমাঙঙৈ, মীওইবনা চাওখৎনদ্রিঙৈ, ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা থোক্লরকখ্রবা থৌদৌনি হায়বগী ৱারী কয়ামরুম অমসু লৈতবা নত্তে। অদুম ওইনমক মতম অমদা, অহলগী কৈনোনা চফু মেল্লি হায়নরল্লবসু, হৌজিক্তদি অঙাংগী কৈনোনা রোকেট শাই হায়নখৎলক্লবা মতমনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না সাইন্সকী থিজিল্লোয়শিংনা থিজিল্লগা পুথোক্লকপা ৱাফমশিংসি কনাগুম্বনা থাজনীংঙাই খক ওইদে হায়দুনা হেক্তা কক্লুবা য়াবগী ফীভমদু হৌজিক ওইদ্রে। হৌজিকসিদা, নহারোলশিংনা নোং ফুং ঙানবদগী নুমিৎ খম তাবা ফাওবদা মালেমসিদা মীওইবনা হিংনরিবসি সাইন্সনা পুথোক্লকপা পোত্থোক ঙাক্তগী মপাল তাংলগা হিংনরিবনি হায়রকপদা অহল্লোন ঐখোয়না অমুক মখা তানা করিমত্তা হায়নীংঙাই লৈররোই। অহল ওইরবা ঐখোয়গী পূন্সিসি, হোল্লিবা পূন্সিগী হিসিগী অহানবা হিথাংফমদু লাপহৌরবনি, নৌনা হিথুংফম ওইরুগদবা অনৌবা হিথাংফমদুনা নকশিল্লক্লবা মতমনি। মতমসিগী নহারোলশিংসিগী ৱাখল্লোনগা অহল্লোন ঐখোয়গী ৱাখল্লোনগা অনীসি চাংদম্নরুদুনা খক কান্নরোই অসুক্কী মতিক খেন্নে। ৱাকচীংগী নোংগী ৱাফমসি ঐখোয় অমুক হন্না খল্লগুমসি, থাদোক্লসি। ফাওরগুমসি অমুক হন্না ৱাকচীংগী নোং খিকখিদবগী অকিবশিং। হায়রুদুনা পল্লরোইদবা, থাজবীনবা মীগী মশীং ৱাৎলক্লগদবা অরিবা মতমগী ৱাকচীংগী নোংগী ৱাহন্থোক্লি।

“হে মতম, নঙনা পুরকপা মতমসিগী অনৌবা ঈচেলসিদা অরিবা মতমগী কাওশিং পূম্বসি ঙম্না লূপখ্রে”। ৱারে পূক্লিংসে, ঙরাং তল্লকপা পাড়াদু ঙসি কাউখ্রদরা খনবদা। অসুক্কী মতিক থুনা ওল্লি অমসুং হোংই মতমসিগী অওনবা অমদি অহোংবশিং। মালেমসিগী মফম অমত্তদসু ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মীওইবগী থম্মোয়গী ওইবা মীনুংশি, থকসি-খাসি, থৌগল্লোন অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপনচিংবগী চৎনবী পূন্নমক্তু উবা ফংজিল্লকখিদ্রে। ঙসিগী মালেমসিগী মীয়াম পূম্বসি ঈথক্তা তাওরবা অমদি ঈরাংদা লুপ্লবশিং ঙাক্তা ওইনা তৌনখ্রে। ৱাফমসিমদি ঙসিগী মীরোলসিনা ফনা নিংথিজনা অমদি কা হেন্না চাওখৎলে হায়রগসু খজিক-খরাক চেকশিলহৌবদি চুমগনি খল্লি। ঙসিগী মালেমসিদা ৱাকচীংগী নোং চন্নফম লৈরক্তবগুম, অচুম্বা চৎপা হায়বা থৌদৌসিসু ঙসিগী অনৌবা মীরোলসিদদি কাউনখ্রগদৌবা থৌদৌ অমগুম উনরক্লি। মতম অমদা হায়নরম্বা, “অচুম্বনা মমৈদা শোয়দনমক্কী মায় পাক্কনি” হায়বা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মমল য়াম্লবা পাউরৌদুমক ঙসিদি কাঞ্জথাঙ ওনবা হৌরক্লবগুম লৌনরক্লি। ঙসিগী অনৌবা মীরোলসিদা অচুম্বা চৎপা অমসুং অচুম্বা তৌবগী মচৎ হায়বদু তশেংনা মমি শামথখ্রে। অচুম্বগীদমক পাম্বোম তিংবীনবা মীওই অমত্তসু কুনমাথোই শুবা চহী-চাসিদা মশক উগে ফংবদি লায়রদুনা মমি ফাওবা তারক্লোইদবগী অকিবদু ফাওনরক্লি। হৌজিক্কী মতমসিগী মীওইশিং ওইনা পোক্লক্লিবা ঐখোয়সি শুপ্নগী হিংনবখক হোৎনবদা ৱাদৌরি। তাকুগী মখূত্তগী তকাতি ওইদুনা নৎত্রগা তকাতি শাদুনা মুনবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়গী হিংনবগী হক লৈরোইদৌরি। য়েংবা হায়দুনি, পোক্লক্লবনিনা শিবদি কনাসু পাম্নরোই। সিবু চুল্লমগদ্রো, দেল্লীরোমদা ঙাঙনরিবা ব্রহ্মা কৌবা মীওইবগী লাইবক শেন্বীরিবা লাইদুনা চহী কোটি কয়া মীওইবগী মপোক্তা অমুক্তা পোকচগে হায়দুনা তপ তৌবদা ফংঙমদ্রবা তাইবঙ মীওইবগী মপোক্লি হায়রিসিবু? ব্রহ্মানা পাম্লিবা মীওইবগী মপোক্তু ঐখোয়গী সিগুম্বা অহোংবা মপোকসিদি ওইরম্লি থাজদে।

ৱারসু ৱানা ৱাখল মাঙলসু, লম্মাঙনরবসু ইরমদমসিদা শিদ্রি ফাওবদি হিংলম্বা হায়দুনি হায়না খল্লক্লে ঙসিদি। চহী খুদিংগী ৱাকচীংগী নোংনা ইশাদা শুপ্নগী নোংলিক অমত্তা ওইসু চোৎহনঞ্জদুনা, মালেম তাইবঙপানসিদা লাক্লিবা ঐগী খোঙচৎসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনমক্কী মহয় য়াল্লকখিগনি খঞ্জদুনা থোইদোক্লা অৱাবা খল্লুদনা হিংজরকখিবা ঐনি। অদুবু ঙসিদি, ৱাকচীংগী নোংসু তারকখিদ্রে ইরমদমসিদা, অদুগা অমরোমদনা সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ৱাকচীংগী নোংগী ৱাহন্থোকসু মাঙখ্রে, হিংবা খংতন-তনশিল্লকপগুম পূক্লিংদা ফাওরক্লিবসিবু চুল্লমগদ্রা? হিংনবগী খল্লুবদা তনবা ফাওরক্লবসু, শিবদি খক চুল্লোই। ব্রহ্মা লাইনা তানবদা ফংদবা মীওইবগী মপোকপু তরাই-তরাইনসু খক লৌরুবা হৌনব্রা? ৱাকচীংগী নোং তারে ফরে, তাদ্রে ফরে, অদু মঙাইরে। পোকপদগী হৌনা চহী হুম্ফুমরি ৱাকচীংগী নোং চোৎহন্দুনতা লাক্লবা হকচাংসিদা মরক্তা চহী অমা ফাদোক খক, ৱাকচীংগী নোং চোৎহনবা ঙমখিদববু করি তৌই হায়বগে? অতৈদি লায়রি, নহানমখৈ ঐখোয়না চহী মশীং খঙদনা হকচাংসিদা ৱাকচীংগী নোং চোৎহন্দুনতা লাকখিবগী ফংলিবা মহয়সিবু কদায়নো? ইশা খঙদনা হকচাংদা ফংলিদ্রা হায়বদি খঙদ্রে, খঙনদি অমুক্তা ফংনরমখিরোই খল্লি ময়ামসু। অদুবু, হায়ববুদি হায়রি হায়ববু, ৱাকচীংগী নোংগী ৱাহন্থোকসি হংলুদদুনা খঙদবা ওইরম্বসু য়াই, চহী অমগী মনুংদা থা কয়ামরুম কান্নরগা অহানবা ওইনা চুরকপা নোংনিনা, ৱাকচীংদা তাঙনা তারকপা নোংসিদা হকচাংদা কান্নবা মচাক খরদি সাইন্সনা থিজিল্লুরবদি শোয়দনমক্কী য়াওরমগদ্রা খল্লি। মরমদি মীতৈ ইপা-ইপুশিংনা মহৌশাদগী হৌনা চৎনরম্বা নৎত্রগা তৌনরম্বা থবক খুদিংমকসি মরম অমা নৎত্রগা অমদি হেক্তা অদুম্মক মপা চানা লৈরম্বা থেংনৈ। ৱাকচীংগী নোংগী কান্নবা অমদি শোয়দনা লৈরমদ্রা খল্লি।

কান্নবনিবু হায়রসু, কান্নদবনিবু হায়রসু নহান মখৈ লেপ্তুনা চহী খুদিংগী নোংলিক খরদা ওইরসু তারম্বা ৱাকচীংগী নোংনা কুমসি চহীগী ওইনা তাখিদবসিদা পূক্লিংদা নুংঙাইতবা অমদি ফাওই। নহান মখৈ লেপ্তুনা ৱাকচীংগী নোং চোৎহল্লু হায়বদু মপূং ফানা পাঙথোক্লকপগী কুমসি চহীদা লেপখিবসিদা নুংঙাইতবা ফাওবসু ওইরম্বা য়াই। ফরে, ৱাকচীংগী নোংগী ৱারীসি ওইনীংবা অমা ওইজরসনু, মসিমক্লা ইরমদমসিদা অকাই-অতোই, অশোয়-অঙাম অমত্তদি য়াওহনবীরমদবা ওইসনু। ●

# খোঙউপ লোনবগী তাইবঙদা মূক্তামনি পদ্মশ্রী -১০




শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

হায়নবা লৈ, “উবিদ্রবা ফজবা ফজরুবগী করি কান্ননি, খঙবিদ্রবা নুংশিবা নুংশিরুবগী করি কান্ননি”। মণিপুরগী খূৎনাইবশিংগী লাইবক্তদি মসিগী থৌদোকসি য়াম্না তোয়না থোকই। মখল মথেলগী পোত্থোক শাবা খূৎনাইবশিং লৈবাক নিংথৌনা খঙবীদনা নারক্তা শাৎপী শিঙেল লৈরাংগুম খোয়ুম লাইগী লাইশঙ য়ৌদুনা লৈ-লাংবা কনানা খূৎথেংবীদবা, লৈবাক্কী কৎথোকখ্রবা পাথৌশিংগী খুয়া থম্বাল য়ৌঙমদনা, কেমদুনা কেন্দুনা লোইখিবগুম, লৈকায় পনবান লান্দনা, খুলগী পন্থোং লানঙমদ মদোম কেমজখিবা খূৎনাইবা কয়াসু লৈতে হায়রুবা চিন-লৈ কেনগনি মিপাইজৈ।

মতা চাদ্রিবসিনা চাওখৎপনিসু হায়রিবা অওনবনিসু শোন্নরিবা মতমগী খোঙচৎসিদা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী নিতিগী পূন্সিদা, ঈরাৎ-ইশোন, শিল্লম-শিন্থা কয়াদা তঙাইমক ফদনা শীজিন্নরম্বা খূৎনাইবা, খূৎহৈবা ইরৈচাশিংগী পোত্থোকশিংগা শকমান্নবা পোৎশক অমদি হেন্না খূৎলোয়বা, মেছিননচিংবা পুথোক্তুনা শাবনা মহুৎ শিনখিবদগী হুন্তোকখাক তাখিবা কোঙ্গাই য়াওরক্লে। মমিং তারগা মশক উদবা, মশকসু মমিংসু উখি-তাখিদ্রবা কয়া অমা লৈরক্লে। খঙদেদা খূৎনাইবশিংদো করম হিংলমগবা পায়ম পূক্লিং খোয়রাং খোয়শাওনরমখ্রনিদা।




অদুবু খোঙউপসিদি নমু পোং ওইবশিংনা মুৎখি-মাঙখিদ্রিবা ফাওবদি থাদোক্লগনি হায়বা থাজদে। অসুম্না কোচিতনা লোনবা খোঙউপ ওইজরবসু মুক্তামনিগী “অরোনবা খোঙউপ” পাক হেক পাম্নরক্লরোইদবা পোত্থোক নত্তে। মসিমক নোংদম্বনা তম্বীরকপা মহাক্কী মশিন ওইরম্বজাৎনি। মুক্তামনি অমদি মহাক্কী পোত্থোকশিংবু খজিক্তা ওইরবসু লৈবাক মীয়াম্না শরা শল্লপ তৌনা খঙনরকখিবা অসিমক্তি কুমজা ১৯৯৩গী ইন্দিরা পার্কতা ইন্দষ্ট্রিজ অমদি টুরিজমনা শিনখিবা 'ইন্দষ্ট্রিজ এগজিবিশন' অদুদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। এগজিবিশন অদুদা মহাক্লা য়োনখিবসি পম্পসুদা লুপা য়াঙ্খ্রে অদুগা নুপাগী অচৌবা খোঙউপ্তুনা লুপা চাম্মা-য়াঙ্খ্রে খক্তদনি। মমলকাদু মহাক মশানা চাওরাকপা অমা পারগা লেপ্পজাৎনি। চপ চাবা অমাঙ-অতোংগী হিসাব কুপ্না হোৎলগা লেপখিবা নত্তে। মতমদো প্রসিদেন্ট রুলসু লৈবা মতম ওইখি। অদুনরা খঙদে লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, লোয়শঙগী মকোক-মরূ ওইবা কয়া লাকখি। মখোয় ময়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীরম্বদা নত্তনা শিনফম অসিনা মহাক্তা নত্তনা মীওই কয়াবু থবক পীবা ঙম্বা অমদি মনা মথুম ফংবা য়াবগী, শেল-থুমগী মতেং ফংবা/লৌবা লম্বীনচিংবা কয়াগী মঙাল ফংলকখি। মেলা অদুগীদমক মহাক ককচীংদগী শাগৈগী মবুং থোকপা অমনা পুং তরা নংনবা থিনবীরকখি। হনবনা লাইন বসতা হনবনি। ষ্টৌল অদুদদি মহাক মতোমতা ফমখি।

মতম অদুদা পোত্থোক মখল অসি অনৌবা ওইনা থোকখি, মরম অদুনা নুমিৎ খুদিংগী পীক্তক তৌবা ষ্টৌল অদু মী হাঙবা নাইখিদে, পোৎসু অদুম্মক ফজনা শিংখি। ময়ামগী ইৱাই ইনিল অদুমক্তুনা মহাক এৱার্দনচিংবা থানবা হোৎনগে, পোত্থোক মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা মদুদগী হেন্না চাউবা নেশনল থাক্তা পাঙথোকপা মেলা, মণিপুরগী ৱাংমদকাসু চৎকে হায়বনচিংবা মঙলান মচা-মচা কয়ানা মথুম-মরাং হৌখি। অমরোমদা, ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙগী অঙম-অথৌশিংনা মাবু খঙবীরকখিবগী অনীশুবা তাঙ্কক অমসু ওইখি।

এগজিবিশন অদুগী মতুংদা থোকখিবা কাউবা য়াররোইদবা থৌদোক অমসু মুক্তামনিনা পাউদল্লকখি। নোংমা ককচীংদা লৈবা ময়ূমদা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগীনি হায়দুনা কেমেরা করি-করা পুরগা টিম অমা লাকখি। মহাকপু ইন্টরভিয়ু লৌবদা নত্তনা কোচিনা খোঙউপ লোনবা-কৈদৌবা, খুগা ককপা শেন্বা খো-খোপ্পা নমগদবনি হায়রৈ। হোবে-হোবে থৌরাং তৌখি। মদুম্না ফিল্ম নল্লনি হায়বকাদি মঙদা ফাওবা মঙখি-খনখিবা লৈতে। অদুগা কেমেরা মমাঙদা ৱারী শাবা, থবক শুবা হায়বকাদো পঙনা তৌবা ফংবা থবক নত্তে, অহানবা ওইনা ফংবা তাঞ্জানি। মতমদুদা মহাক্কা খোঙউপ লোনমিন্নবী লৈশাবী, মৌশিংদা নত্তনা লৈকায় মীয়াম্নসু অঙকপা, হরাওবা পোক্লখি। ময়ামদুগী মনুংদা মহাক্লা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজখিবনি। মরমদি মহাক্কী পোত্থোক অসি মণিপুরগী মফম কয়াদদা নত্তনা অতৈ মীয়াম্নসু খঙবী-উবীরগনি খল্লুবগীনি। অসুম্না কাঙবু অদুগী মীহুৎ অমগা ৱারী-ৱাতাই শানবগী মরক্তা মহাক্লা পাঙথোক্লিবা থবক, পুথোক্লিবা পোত্থোকসি কদাই ফাওবা য়ৌনা য়োনবা/থাদোকপা পাম্বগে হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুক্তামনিনা “মালেমগী ৱাংমদা ফাওবা য়ৌহন্নীংই” হায়না খুম্বা অমা য়াওখ্রবজাৎনি। রেকোর্দিং লোইরবা মতুংদা ইচিন-ইনাওশিংদুনা হৌদোরক্তুনা ৱা-ৱা নোকখি। খলহৌদনা হায়দোকখিবনি। ইকায়রক্তুনা 'মদু মূথৎপীয়ু, মীয়ামদা উৎপীরনু, ইকায়বনা লোইরে' হায়জখি। অদুবু নুপা অমনা নোক্তুনা খুল্লকখি 'কৈসু কায়দেদা। মালেমগী ৱাংমদা মী চৎনরে, থাদা কানরে, অতৈ প্লানেটতা খুন্দানবা হোৎনরি। মতমদুদা ইচেগী খোঙউপসি শোয়দনা থাবা য়াইনা...” ময়াম ৱা-ৱা নোকখি। মীওইবগী ৱাখল মপান নাইদে হায়বদু চপ হেক চাই হায়বদুনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।